## একুৎ তৌখিবশিং অমুক হন্না ফাজিনখ্রে

করাচি, এপ্রিল ০৩ (এজেন্সি) :
কুমজা ২০০২ দা থোকখিবা য়ু এস জর্নেলিষ্ট দেনিয়ল পর্ল হাৎখিবগী থৌদোক্তা কনভিক্ট তৌখিবা বৃটিশ মিলিটেন্ট অমা য়াওনা মীওই ৪ লৱার কোর্টকী রুলিং অমনা মখোয়গী কনভিক্সনশিং ককখ্রবা মতুংদা অমুক হন্না থা ৩ ফাজিন্দুনা থম্লবা পাকিস্তানগী ওথোরিটিশিংনা ইরাই নুমিত্তা ওর্দর তৌখ্রে।

পর্লগী মীহাৎ অদুবু মাষ্টরমাইন তৌবগী মরালদা শিবগী চৈরাক পীখ্রবা অহমদ ওমার সয়িদ শেইখ য়াওনা মীওই ৪ অদু শগোলশেল নুমিত্তা সীন্দ প্রোভিন্সকী হায় কোর্টনা একুইট তৌখিবনি।

## ১০,০০০ হেন্না ফাগৎখ্রে

কলম্বো, এপ্রিল ০৩ (এজেন্সি) :
কোরোনাভাইরস লাইচৎ থিংনবগীদমক্তা মার্চ ২০ দগী লৈবাক শীন-থুংনা থম্লকখিবা কার্ফিয়ু থুগায়বগীদমক্তা শ্রীলঙ্কন পুলিসনা ইরাই নুমিত্তা ইথৎ লৈবাক অসিগী মফম কয়াদা মীওই ১০,০০০ হেন্না ফাগৎখ্রে। শ্রীলঙ্কাদা কোভিদ-১৯ কেস ১৫১ দিটেক্ট তৌখিবগা লোয়ননা হৌজিক ফাওবদা মীওই ৪ লায়না অসিদগী শিখ্রবনি। মীওই ১২৫ দি লায়েংবদা ফখ্রে।

# কোরোনাভাইরস কেস মশিং মিলিয়ন ১ হেল্লে



ন্যু য়োর্ক, এপ্রিল ০৩ (এজেন্সি) :
য়ুনাইটেদ ষ্টেটস অমসুং নোংচুপ থংবা য়ুরোপতা কোরোনাভাইরসনা মী শিহনবা লেপ্তুনা হেনগৎলকখিবগা লোয়ননা মালেমগী ওইনা নোভেল কোরোনাভাইরসকী কেস মশিং মিলিয়ন অমা হেল্লে অমসুং ভাইরস অসিনা শিহনখিবা মী মশিংনা ৫৩,০০০ হেল্লে হায়বসি ইরাই নুমিত্তা এজেন্সিগী টেলি অমনা উৎখ্রে।

ওফিসল রিপোর্টশিংদা য়ুম্ফম ওইবা দেতাগী মতুং ইন্না হৌজিক ফাওবদা ইটালিনা কোরোনাভাইরসনা মী মশিং খ্বাইদগী য়াম্না শিহনবা লৈবাক ওইরি। লৈবাক অসিদা শিখিবা মীশিং ইনৌ নৌবা টেলিগী মতুং ইন্না ১৩,৯১৫ য়ৌখ্রে। পুন্না মীওই ১০,৯৩৫ শিখিবগা লোয়ননা স্পেন্না অনীশুবা মী মশিং খ্বাইদগী য়াম্না শিবা লৈবাক ওইরি। তৌইগুম্বসুং পুন্না কেস ২৪৩,৬৩৫ কা লোয়ননা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা নোভেল কোরোনাভাইরসকী অনৌবা ইপিসেন্টর ওইরক্লি।

হৌজক ফাওবদা কোভিদ-১৯না য়ু এসতা শিহনখিবা মী মশিং ৫,৮৮৭ য়ৌখ্রে। নোংচুপ্লোমগী ৱাংমদা চাইনাদা অকনবা থৌরাং কয়া লৌখত্তুনা ইনফেক্সন কন্ট্রোল তৌনবা হোৎনবদগী লৈবাক অসিদা কোরোনাভাইরসকী লাইচৎ শীংথানিংঙাই ওইনা নেমথরে হায়না চানিজ ওথোরিটিশিংনা ফোংদোক্লি।

থাজ নুমিত্তা মিনিট ৩ তুমিন্না লৈদুনা লৈবাক অসিনা শাথিরবা লাইচৎ অসিদা লৈখিদ্রবা মীওইশিংগীদমক্তা অৱাবা ফোংদোক্কদৌরি।

মালেমদা খোঙজেল থুনা শনে দারক্লিবা লাইচৎ অসিনা ইরানবুসু চৈথেং চাওনা নংহল্লিবনি। মালেম পুম্বগী কেসশিংগী তঙ্খায় অমা হেন্না য়ুরোপতা লৈবগা লোয়ননা ফ্রান্স অমসুং বৃটেন্না ফিভম শোকচিল্লক্লবা মখোয়গী হেল্থ সর্ভিসেসকা লোয়ননা শাথিরবা লায়না-লাইচৎ অসি থেংননবা হোৎনরি।

কোরোনাভাইরসকী লাইচৎ অসিনা মরম ওইদুনা মালেমগী খ্বাইদগী চাওবা ইকনমি ওইরিবা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী গভর্নমেন্টনা মমাংদা অমুক্তা থোকখিদ্রিবা মওংদা শেল চাওনা কায়থোক্তুনা লায়না অসি থেংনবগা লোয়ননা লায়না অসিগী চৈথেং নংলবা বিজিনেস সেক্তরশিং শিহন্দনবগী থৌরাং লৌখৎখ্রবনি।

য়ু এসতা নৎতনা স্পেন, ইটালি, ফ্রান্স অমদি বৃটেন্নচিংবা লৈবাক কয়াদা মীওই মিলিয়ন কয়া লাইচৎ অসিনা মরম ওইদুনা থবক তৎনবদগী মালেমগী মফম অয়াম্বা শেল-থুমগী অৱাবা মায়োক্নরিবনি।

# কোভিদ লাইচৎনা মরম ওইদুনা মালেমগী খ্বাইদগী চাওবা রেদিও টেলেস্কোপ থিংজিনখ্রে



সান্তিয়াগো, এপ্রিল ০৩ (এজেন্সি) :
চিল্লিদা কোরোনাভাইরসকী লাইচৎ শন্দোরকপনা মরম ওইদুনা মালেমগী খ্বাইদগী চাওবা রেদিও টেলেস্কোপ ওইরিবা অতাকামা লার্জ মিলিমিটর/সবমিলিমিটর এরে (অলমা) মতম খরগী ওইনা ওপরেসন লেপ্লে হায়না ওবজ র্ভেটরি অসিনা লাউথোকখ্রে।

কোরোনাভাইরসকী শাথিরবা লাইচৎ অসিদা ষ্টাফ পুম্নমক অনা-অয়েক য়াওদনা মশা-মউ ফনা লৈহন্নবা অমসুং ময়ুম-ময়ুমদা চত্তুনা মখোয়গী ইমুং-মনুংশিংগা লৈমিন্নবা য়াহন্নবগীদমক্তা ঐখোয়না মমাংদা অমুক্তা থোকখিদ্রিবা মওংদা অলমা থিংজিন্নবগী ৱারেপ অসি লৌরিবনি।

অশোয়-অঙাম অমত্তা থোকহন্দনা মায় পাক্লা থিংজিন্দুনা ওবজ র্ভেটরি অসিগী ষ্টাফনা শীংথানিংঙাই ওইবা অচৌবা থবক অমা পাঙথোকখ্রে হায়না শগোলশেল নুমিত্তা অলমাগী দিরেক্টর সোন দৌঘত্রিনা ফোঙদোকখিবা ৱারোল পল্লদুনা সীনহুৱা ন্যুজ এজেন্সিগী পাউনা হায়রি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, টেলিস্কোপ অদুগী মরু ওইবা সিষ্টেমশিং মখা তানা ওপরেস্নেল ওইহন্নবা অমসুং ফিভম হেক য়ারকপগা অমুক হন্না মথৌ তৌবা য়াহন্নবগীদমক্তা টিম অমনা লেপ্তুনা য়েংশিন্দুনা লৈরি।

# কোরোনাভাইরসনা ফিভম থিনা শোকহল্লবা ইজরেলগী অল্ট্রা-ওর্থোদোক্স টাউন সীল তৌশিনখ্রে



বনৈ ব্রাক, এপ্রিল ০৩ (এজেন্সি) :
কোরোনাভাইরসনা কা হেন্না শোকহল্লবা অল্ট্রা-ওর্থোদোক্স জ্যুৱিস টাউন অমদা লোকদাওন মপুং ফানা চৎনহন্নবগীদমক্তা ইজরেলি পুলিসনা ইরাই নুমিত্তা লম্বীদা মেটল বেরিকেদশিং অমসুং রোদ ব্লোকশিং থমজিনখ্রে।

কেবিনেটনা শগোলশেল নুমিৎকী অথেংবদা এপ্রুভ তৌখিবা ইমর্জেন্সি রেগ্যুলেসনশিংনা টেল অভিভকী মনাক্তা লৈবা বনৈ ব্রাক ইনফেক্সনগী চাং ৱাংবনা মরম ওইদুনা রেস্ত্রিক্তেদ জোন অমা ওইরে হায়না লাউথোকখি।

সর্জিকেল মাস্কশিং অমসুং গ্লোভ উপ্পা পুলিস য়ুনিটশিংনা ইরাই নুমিৎকী অঙনবদা টাউন অদুগী মরু ওইবা লম্বী ফাংফমশিং থাংজিল্লগা থমদুনা অনৌবা রুলশিং নমদুনা চৎনহন্নবা হোৎনখি। বনৈ ব্রাক ঙসি অয়ুক্তগী লোকদাওন তৌরে অমসুং সিটি অসিদা চঙবা নৎত্রগা মসিদগী থোরকপা খুদিংমক পুলিসনা থিংলগনি হায়না পুলিসকী স্পোক্সমেন মিকি রোসেনফেল্ডনা ফোঙদোকখি।

মহাক্না মেদিকেলগী ওইবা মরম খক্কী ওইনা মীয়াম্না চৎথোক-চৎশিন তৌবদি য়াগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

মেদিকেল এক্সপার্টশিংনা বনৈ ব্রাক্কী মীশিং ২০০,০০০গী চাদা ৩৮ ফাওবা কোরোনাভাইরসনা শোকহল্লম্লগনি হায়না পারি। ইজরেলগী অপুনবা মীশিং মিলিয়ন ৮.৭ লৈবগী মনুংদা কোরোনাভাইরসকী কেস চাদা ৩০ ফাওবদি টাউন অসিদা থোকপা ওইবা য়াই হায়না এক্সপার্টশিং অসিনা ফোঙদোকখি।

ফিভম অসি মরু ওইনা বনৈ ব্রাক্কী মী কুংবগী ফিভমনা থোকহল্লিবনি। ইজরেলি ওফিসলশিংগী মতুং ইন্না মফম অসিগী মী কুংবগী চাং অসি লৈবাক্কী ওইবা চাংচত্তগী শরুক ১০০ রোম হেন্না ৱাংই। মফম অসিগী মীওই কয়া লায়রবশিং ওইবগা লোয়ননা মখোয়না গভর্নমেন্টকী ওফিসলশিংদা থাজবা থম্বগী মহুত্তা লাইনিং-লাইশোনগী ওইবা লুচিংবশিংদনা হেন্না থাজবা থমদুনা এন্টি-ভাইরসকী থৌরাংশিং থৌশানদে। ভাইরস অসিনা অহল ওইরবা মীওইশিংদা শাথিবা লায়না লাকহনবা য়াবগী ফিভম লৈবনা মরম ওইদুনা ইজরেলগী মিলিটরিনা টাউন অদুদা লৈরিবা চহী ৮০ অমসুং মথক ওইবা মীওই ৪,৫০০ হোংদোক্লবা থৌরাং তৌরি।

# ৱাশিংটন্দা মীয়াম্না য়ুমদা লৈবগী ওর্দর মে ৪ ফাওবা শাংদোকখ্রে

ৱাশিংটন, এপ্রিল ০৩ (এজেন্সি) :
কোভিদ-১৯গী লাইচৎ লাকশিন্নবগীদমক ৱাশিংটন ষ্টেট গভর্নর জে ইন্সলিনা মহাক্কী 'ষ্টে হোম, ষ্টে হেল্থি' ইমর্জেন্সি ওর্দর মে ৪ ফাওবা শাংদোকহনখ্রে। ওর্দর অদুনা মখল খুদিংগী মী পুনবগী থৌওং পুম্নমক থিংবগা লোয়ননা নন-ইসেন্সিয়ল বিজিনেসশিং অথিংবা থম্লি হায়না সীনহুৱা ন্যুজ এজেন্সিগী রিপোর্টনা ফোঙদোকখি।

ষ্টেট অসিগী দিপার্টমেন্ট ওফ কর্ম্মসনা বিজিনেসশিং ইসেন্সিয়ল ওই নৎত্রগা ওইদে হায়বদু খঙনবগীদমক্তা গাইদেন্স অমসুং এসিষ্টেন্স পীরি। শগোলশেল নুমিত্তা গভর্নর ইন্সলিনা ফোঙদোকখিবদা, য়ুনিভর্সিটি ওফ ৱাশিংটনগী ইপিদেমিওলোজিকেল মোদেল্লিংনা চহী অসিদা য়ামদ্রবদা মীওই ১,৪০০ শিহল্লগনি হায়না মাঙজৌননা ইঙ্গিৎ পীখিবা লৈরবনি।

ভাইরস অসিনা ঐখোয়গী ষ্টেটতা থোকহল্লিবা মীশি-মীনাশিং হৌজিক ফাওবা ঐখোয়না মপুং ফানা খঙবা ঙমদ্রি। লাইচৎ অসিবু তপথহন্নবা ঐখোয়না তৌরক্লিবা অসি মখা তানা চথুদবা তারবদি মোদেল্লিং অসিদা পীরিবা প্রিদিক্সন অসি য়াম্না হেন্না শাথিবা মওং অমা ওইরকপসু য়াই হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

ওর্দর অদু চৎনবগী মতম শাংদোকহনবগী মথক্তা ইন্সলিনা পর্সনেল প্রোটেক্তিভ ইক্বিপমেন্ট (পি পি ঈ) য়ারিবমখৈ থুনা মরাং কায়না ফংহন্নবা অমদি সিক্যুর ওইহন্নবগী দিরেক্তিভ অমসু খুৎয়েক পীখি। শগোলশেল নুমিত্তা ষ্টেট অসিদা কোরোনাভাইরসকী কেস পুন্না ৬,৫৮৫ অমসুং শিখিবা মশিং ২৬২ কনফার্ম তৌখি।




অমরোমদা, শগোলশেল নুমিত্তা লুইজিয়ানাগী গভর্নর জোন বেল এদৱার্দনসু এপ্রিল থা লোইবা ফাওবগী ওইনা ষ্টে-এট-হোম ওর্দর শাংদোক্লগনি হায়না লাউথোকখি।

ওর্দর অদুগী মতুং ইন্না মীশিংনা গ্রোসরি ষ্টোর অমসুং ফার্মাসিদা চৎপা য়াওনা তঙাই ফদবা থবকশিং নৎত্রবদি য়ুম-য়ুমদগী হেন্দোক্তনা লৈগদবনি। ওর্দর অসিনা নন-ইসেন্সিয়ল বিজিনেসশিং থিংজিল্লগনি। তৌইগুম্বসুং তঙাইফদবা সর্ভিসশিং ফংহল্লিবা ওইল ষ্টেসনশিং অমসুং ফামার্সিশিংদি মখা তানা হাংহনগনি হায়না এদৱার্দনা ফোঙদোকখি।

হৌখিবা চয়োল অনী অসিদা ঐখোয়গী কনফার্ম তৌরবা কোভিদ-১৯ কেস হেনগৎলকপগী চাং মালেমগী অতৈ লৈবাক নৎত্রগা অতৈ ষ্টেটতগী হেনখি হায়না পল্লদুনা মহাক্না হায়খি মদুদি, লুইজিয়ানাগী ওইনা হৌজিক ফাওবদা পোজিটিভ কেস ৯,৯৫০ য়ৌবগা লোয়ননা অশিবা মশিং ৩১০ য়ৌরে।

# ইন্দিয়াদা দোক্তর অমদি মেদিকেল ষ্টাফ ৫০ রোম পোজিটিভ ওই




ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ০৩ (এজেন্সি) :
ইন্দিয়াদা দোক্তর অমসুং মেদিকেল ষ্টাফ ৫০ রোম কোভিদ-১৯গী চাংয়েংদা পোজিটিভ ওইরম্বা থেংনবদগী য়ুনিয়ন হেল্থ মিনিষ্ট্রিনা নুংনাংলি হায়না ইরাই নুমিত্তা সোর্স খরনা ফোঙদোকখ্রে।

সোর্সশিং অদুগী মতুং ইন্না হেল্থ মিনিষ্ট্রিনা ফিভম অসি য়েংশিন্নবা অমদি দোক্তরশিং অমসুং মেদিকেল ষ্টাফকী মীওইশিং অদু কোভিদ-১৯গী পেসেন্টশিংনা ইনফেক্সন থোকহল্লিব্রা হায়বদু লেপথোক্কবা হোৎনরি। মেদিকেল ষ্টাফকী মীওইশিং অসি পেসেন্টশিংনা ইনফেক্সন থোকহল্লিবনি নৎত্রগা মখোয় থবক মফমগী ৱাংমদা লৈরুবদগী পোজিটিভ ওইরকখিব্রা হায়বদু খঙননবা ঐখোয়না হোৎনরি হায়না হেল্থ মিনিষ্ট্রিগী সিনিয়র ওফিসল অমনা ফোঙদোকখি।

অদুমওইনমক ওফিসল অসিনা চাংয়েংদা পোজিটিভ ওইরবা মেদিকেল ষ্টাফকী কেস ৫০ গী মনুংদা খরদি কোভিদ-১৯গী পেসেন্টশিং লায়েংবদা য়াওবশিংনি হায়খি। মখোয়দা কোরোনাভাইরস ইনফেক্সন লাকখিবগী মরম চপ চানা খঙদোক্লবগীদমক্তা গভর্নমেন্টনা অসিগুম্বা কেসশিংগী কন্টেক্টশিংগী খোঙ্গুল লীবা হৌরে।

হোস্পিটালশিংদা পর্সনেল প্রোটেক্তিভ ইক্বিপমেন্ট (পি পি ঈ) ৱাৎপনা মরম ওইদুনা দোক্তরশিং অমদি মেদিকেল ষ্টাফতা মখোয়না লায়েংলিবা পেসেন্টশিংনা শোকহল্লকপা য়াবগী ফিভম লৈরে হায়বসি এসেসমেন্ট খরদগী খঙবা ঙমখি। অৱাৎপশিং অসি মেনশিনবা ঙম্নবগীদমক্তা দিফেন্সকী পব্লিক সেক্তর অন্দরটেক্কিংশিং অমসুং অতৈ প্রাইভেট প্লেয়রশিংদা মেদিকেল প্রোফেস্নেলশিং য়াওনা মরী লৈনবা মীওই পুম্নমক্কী পি পি ঈ শাহনবা হৌখ্রবনি।

# বোর্দরগী ৱাথোক ঈংনা চিক্লা ৱারোইশিন পুরক্লবা ষ্টেট ২ দা খঙহনখ্রে

ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ০৩ (এজেন্সি) :
কোরোনাভাইরসকী লাইচৎ লাকশিন্নবা লৈবাক শীন থুংনা চয়োল ৩ চুপ্পা লোকদাওন তৌরিঙৈ চৈরকসিদা সুপ্রিম কোর্টনা ইরাই নুমিত্তা কর্নাটাকা অমসুং কেরলাগী গভর্নমেন্টশিংদা মখোয়গী মরক্তা লৈরিবা বোর্দর ইশ্যু মরুপ-মপাং ওইবা মওংদা ঈংনা-চিক্লা লৈখায় তাথোক্লবা খঙহনখ্রে।

কেরলা হায় কোর্টনা সেন্টরদা ষ্টেট গভর্নমেন্টনা কেরলাদগী লাকপা পেসেন্টশিংদা চৎথোক-চৎশিনগী অথিংবা থমখিবা লৌথোক্লনবা পীখিবা দিরেক্সন অমা শীংনরদুনা কর্নাটাকা গভর্নমেন্টনা এপেক্স কোর্টতা ফাইল তৌখিবনি।



কোরোনাভাইরসকী শাথিরবা লাইচৎনা মরম ওইরগা কেরলাদগী মীওই কয়ানা কর্নাটাকাদা লৈরিবা হোস্পিটালশিংদা লায়েংনবা বোর্দর লাল্লগা চৎনবা হেনগৎলকখিবগা লোয়ননা ফিভম অসি লাকখিবনি।

জষ্টিসশিং এল নাগেস্বরা রাও অমসুং দিপক গুপ্তগী বেঞ্চ অমনা হায়খি মদুদি, কেরলা অমসুং কর্নাটাকাগী চীফ সেক্রেটরিশিংনা য়ুনিয়ন হেল্থ সেক্রেটরিগা মীফম অমা পাঙথোক্তুনা অনা-লায়েংগীদমক্তা চৎথোক-চৎশিন তৌরিবা মীওইশিংদা খুদোংচাহন্নবগীদমক্তা মরুপ-মপাং ওইবা মওংদা ঈংনা চিক্লা ৱাথোক অসিগী ৱারোইশিন অমা পুরক্কদবনি। মমাংদা কর্নাটাকানা বোর্দরদা চৎথোক-চৎশিন্দা অথিংবা থম্লবা লৌখিবা ৱারেপ অদুবু শীংনরদুনা কেরলাগী এম পি রাজ মোহন উনিথাননা পিটিশন অমা ফাইল তৌখিবনি।

হীরম অসিগী মতাং কেরলা গভর্নমেন্টকী মায়কৈদগী কেভিয়ট অমা ফাইল তৌখ্রবনি। সুপ্রিম কোর্টগী রুলিংনা হায়খি মদুদি, কোরোনাভাইরস শন্দোরকপা থিংনবগীদমক লৈবাক শীন-থুংনা লোকদাওন অমা চথুরিঙৈ চৈরকসিদা ষ্টেট গভর্নমেন্ট অমত্তনা অসিগুম্বা ৱাথোক হৌদোক্লোইদবনি।

# হরিয়ানাগী খুঞ্জাশিংনা জমাটকী খোঙলোয় ২০ ক্বারেন্টিন তৌবা য়াহনখিদ্রে



ফরিদবাদ, এপ্রিল ০৩ (এজেন্সি) :
দিল্লিদা লৈবা তাব্লিঘি জমাটকী হেদক্বাটরসতগী মীওই চা কয়া পুথোক্লরকখিবা মতুংদা ইন্দিয়াদা কোরোনাভাইরসকী কেস মশিং খঙহেন হেনগৎলক্লিঙৈ মরকসিদা হরিয়ানাগী খুঙ্গং অমগী মীওইশিংনা ওথোরিটিশিংবু নমদুনা মপান্দগী লাকপা জমাটকী খোঙলোয় ২০ মনাক নকপদা লৈবা কোলেজদা ক্বারেন্টাইন তৌবা য়াহনখিদ্রে হায়না ইরাই নুমিত্তা পুলিস সোর্সশিংনা ফোঙদোকখি।

ফরিদবাদ দিষ্ট্রিক্টকী ভোপানি পুলিস ষ্টেসনগী সোর্সশিংনা হায়খি মদুদি, শগোলশেল নুমিৎকী নুমিদাং পুং ১০ রোম তাবদা হরিয়ানা হেল্থ দিপার্টমেন্টকী ওফিসলশিংনা তাব্লিঘিগী খোঙলোয় ২০ অসি নুমিৎ খরনি মনাক নকপা কোলেজ অমদা ক্বারেন্টাইন তৌনবগীদমক্তা নাচৌলি খুঙ্গংদা পুখি। তৌইগুম্বসুং মখোয়না মফম অদুদা থুংবগী পাউ খুঞ্জাশিংনা তানরকপদগী খুঞ্জা চা কয়া লাক্তুনা ঘেরাও তৌদুনা কোলেজ অদুদা চঙবা থিংখি। খুল অদুগী মীওইশিংনা কোরোনাভাইরস শন্দোরকপা য়াই হায়রদুনা খুঞ্জাশিংনা কন্না প্রোটেষ্ট তৌখি হায়না পুলিস ওফিসল অমনা ফোঙদোকখি।

খোইরাং খোইশাওনরবা খুঞ্জাশিং অদুনা হেল্থ ওফিসলশিং অমদি ভোপানি পুলিসকী ৱা তাউ হায়বা য়াখিদে হায়রি। পুং ৩/৪ মুক্লরবা মতুংদা ওফিসলশিংনা জমাটকী খোঙলোয় ২০ অদু দৌজ খুঙ্গংদা লৈবা এঞ্জিনিয়রিং কোলেজ অমদা শেল্লিবা টেম্পরেরি ক্বারেন্টাইন সেন্টর অমদা ওইনা পুননবা ৱারেপ লৌখি।

অমরোমদা, ষ্টেট অসিমক্কী কনৌজ দিষ্ট্রিক্টতা ইরাই নুমিৎকী নুংথিলদা পুন্না নামাজ পাঙথোক্লবা হোৎনখিবা ইমুং অমগী মীওইশিংদা অথিংবা পীরুবা পুলিস টিম অমদা মফম অদুগী মীওইশিংনা এটেক তৌখ্রে। এটেক অদুদা পুলিস পর্সনেল ২ অশোক-অপন নংখ্রে হায়রি।

# য়ু পিদা লোকদাওন মতুংদা লাক্কদবা ফিভমশিংগীদমক্তা শেম-শাখ্রে

লক্ষ্ণৌ, এপ্রিল ০৩ (এজেন্সি) :
লোকদাওন লৌথোক্লবা মতুংদা লাক্কদৌরিবা শীংনবা কয়া থেংননবগী পান্বে কয়াগী মতাংদা খন্নবা উত্তর প্রদেশকী চীফ মিনিষ্টর য়োগি অদিট্যানাথনা ইরাই নুমিত্তা ষ্টেট অসিগী মকোক থোংবা ওফিসলশিংগা মীফম অমা পাঙথোকখ্রে।

মীফম অদুদা চীফ মিনিষ্টরনা হায়খি মদুদি, হৌজিক য়াম্লবা মাইগ্রেন্ট ৱর্করশিং সেল্টর হোমশিংদা থল্লিবা ওইবনা ষ্টেট অসিনা মায়োক্ল রক্কদৌরিবা খ্বাইদগী চাওবা শীংনবদি মীয়ামগী চৎথোক-চৎশিন লাকশিন্নবা হোৎনবা অসিনি। লোকদাওন লৌথোকখ্রবসু সোসল দিসষ্টেন্সিং মখা তানা চৎনহন্নবা হোৎনগনি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

চীফ মিনিষ্টর য়োগিগী মতুং ইন্না উত্তর প্রদেশকী কোরোনাভাইরস পোজিটিভ ওইরবা পেসেন্টশিং লৈরবা দিষ্ট্রিক্ট ১৬ তা সেফটি প্রোটোকোলশিং নমদুনা চৎনহন্নবগী অখন্নবা থৌরাং লৌখৎলগনি।

অদুমওইনমক সোর্স খরনদি লোকদাওন লৌথোকপা অসি তঙ্কক নাইনা পাঙথোক্কনি হায়না ফোঙদোকখি। সেনিমা হোলশিং অমসুং সোপ্পিং মোলশিং মখা তানা নুমিৎ খরনি থিংদুনা লৈবা য়াই অমসুং স্কুলশিং অমসুং কোলেজশিংগী মতাংদদি ৱারেপ অমা লৌগনি।



ষ্টেট অদুদা কোরোনাভাইরসকী লাইচৎ থিংননবা শেমখিবা টিম ১১গী মীফমদা ৱা ঙাঙলদুনা য়োগিনা হায়খি, মীয়াম্না খুদক্তা অমুক হন্না থবক্তা মায় ওনশিনগদবা লৈতবনা লোকদাওন লৌথোকখ্রবসু য়ুম-য়ুমগী থোঙ্গালদা চান-থক্লবা পোৎলমশিং য়ৌহনবগী থবক মখা তানা চত্থখিগনি। কম্যুনিটি কিচনশিং দিষ্ট্রিক্ট খুদিংমক্তা মখা তানা থবক তৌবগা লোয়ননা ফুদ পেকেটশিংগী কলেক্সন সেন্টরশিংসু মখা তানা লৈখিগনি। ক্রাইসিস অসিগা মরী লৈননা এন এস এস, এন সী সী, স্কাউটস অমসুং য়ুবা মঙ্গলদারগী ওইবা ভোলন্টিয়র ফোর্স অমা শেল্লগনি।